হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, জন্যুৱারী ০১, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২৭৬শুবা মশীং

# ২০২১ চৎখ্রে, ২০২২ লাক্লে

## অনৌবা চহীনা পূন্নমকপু য়াইফহল্লসনু

ঙরাংনা অরোইবা ওইখ্রে, ২০২১গী, ঙসিদগী অনৌবা চহী ২০২২ হৌরক্লে। ৱাবা, চোকথবা লৈতনা লেপ্তুনা চেন্থৰিবা মতমগী ঈচেলনা হকথেংনরিবা চহী পূন্নমক অদুম্মক পুরগা চৎখিনি। অদুগা অনৌবা চহী অমমুক মীরোলসিগী মমাঙদা পুরক্কনি। অদুবু অহৌবা লৈবনিনা অরোইবসু অদুম্মক পুরকপনি। পূন্নমকসি মীওইবা খুন্নাইগী, তাইবঙগী মচৎনি। কনামত্তনা থিংলুবা ঙম্লরোইদবা মতম মহাক্কী খোঙচৎনি। লেপ্তুবা মতমগী খোঙচৎসি কনামত্তনা ৱারৌদে, নীংদোল পোম্নবসু লৈতে। হৌখ্রবশিংদি হৌখ্রসনু। অদুবু হৌখ্রবা কুমজা ২০২১বু মীরাইবদি য়াদ্রি। থোকহন্নীংদবা মখল কয়াগী থৌদোকশিংগী মনুংদা মালেমগী তমথীরবা মীহাৎ লায়না নোভেল কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) গী অকনবা পেন্দমিক মায়োক্লখি। মমাঙগী চহী ২০২০দগী হৌরকখিবনা পীক্লিবা অঙাং য়াওনা মীওই ২,০০২গী পুন্সি মতম চাদনা পিখম্নহনখি। মহৌশাগী মীয়ামগী পুন্সিগী থবক-থৌরমশিংদা চাউনা অকায়বা পীখি। পাঙথোক্কদবা অমসুং পাঙথোকফম থোক্লবা থবকশিং চপ লেপহনখি। নোংমগী পুন্সিদা হা-কার লাওবা হায়বদুমক থোকখি। মীয়ামগী পুন্সিদা খ্বাইদগী অকনবা চৈফু পীখিবা মথেল অসি খক্তা নত্তনা হান্নদগী মায়োক্লদুনা লাকপা মীশি মীনা অমসুং মীহাৎ-মীপূনগী তমথীরবা থৌদোকশিং থোকখি। মীনা মীবু থাজনদবা, মীনুংশিগী চাং হন্থরকপা, মথক থোংবগা মখা থাবশিংগগী মরক্তা লৈনগদবা অনী শমজিন্নহন্দুনা অমত্তা ওইমিন্নবগী নুংশিরবা মীঙ্গৌশিংগী থোৎ-মেংবশিংগী চাং হন্থরকপগুম তৌখি। ফুরুপ মশেলগী মরক্তা নুংশিনবগী লংলা মফোল থোরকপগুম তৌখি। থোকখ্রবা মতুংদা লাইবক থীবনি, থোকহন্নীংদবনি হায়বা থৌদোক কোকথোং অমা থোকখি। অদুবু ঙরাং লোইশিনখ্রবা, অরিবা চহী ওইখ্রবা কুমজা ২০২১ সু লোইখ্রে, হৌখ্রে হায়দুনা মীরাইরুবা য়াদ্রি। মরমদি হৌখ্রবা, লোইখ্রবশিংদু ঙসিগী পাড়ানি। তমদবা, খঙদবা য়াদ্রবা পাড়াশিংসি নীংথিনা খঙলগা হয়েংগী লমজিং মৈরা ওইগদৌরিবনি। মসিমক্লা ঙসিগী মীরোলনা হৌখ্রবা পুৱারীগী লমাইশিং হঞ্জিন-হঞ্জিন ফাক্তোক্তুনা পারিবনি, নৈনরিবনি। অফবা, অচুম্বা, নুংঙাই-য়াইফবা ওইখিবশিংনা মখা শমথরক্লবা, হেন্না নুংঙাইনবা, অফবা ওইরকহনখিবা হোৎনগদৌরিবনি। অদুগা থোকহন্নীংদবা, অশোয়বা-অরানবা ফত্ত-হৌদিনা থনবা, অমাঙবতনা পীক থনবা থৌদোকশিংবুনা হন্না মায়োক্নরক্তনবা খুকউ শেলহৌগদৌরিবনি, চেকশিলহৌগদৌরিবনি।

মরমশিং অসিনা অনৌবা চহী ২০২২ নহাক লাক্লবনিনা ফত্তবা-অরানবা, ওইদবা থবক-থৌরমশিংদুদি অমুক হন্না হকথেংনহনবীরক্তবা ওইরসনু। মীওইবা খুন্নাইবু মরু ওইনা চীংলৈবাক মচা, লমদম অসিগী য়ামজদ্রিবা মীশিংবু কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিএন্ট কয়া চোঙথোরক্লবসু খাঙুথক্তা পুন্সি লোমখিদবা, তমথীরবা লাইচৎসিদগী মপূং ফানা ঙাকথোকচবা ঙম্বা, লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোকশিং য়াওনা মমল য়াম্লবা মীওইবগী পুন্সি অমুক হল্লকপা য়াদবা অশি-লমদম পাংহনবিদবা, অশোক-অপন য়াওদবা ওইরসনু। অনৌবা চহীসিনা পুরক্কদৌরিবা অহানবা থৌদোকশিংগী মনুংদা মাঙজিল থানা য়াওরিবা মণিপুরগী অনৌবা ১২শুবা ষ্টেট এসেমব্লিগী ইলেক্সনদা মীয়ামগী মীহুৎ ওইগনি চোঙথোক্লরক্লিবা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটশিংগী মনুংদা য়াওরিবা পোলিটিক্সকী মায়খুম উপ্পশিংগী মশক ভোটরশিংনা মকোক্তগী মখোঙ ফাওবা মশক মুন্না খঙদোক্লগা মখোয়গী লৌনম্লাংদা থুদনা মখোয়বু ফৌমান খন্দোকপদৌনা খন্দোকপা ঙমজবা ওইরসনু। অনৌবা চহীসিদা পাঙথোক্লগদবা অনৌবা মীখলসিগী মতুংদগী লিংলক্কদবা মীয়ামগী অনৌবা লৈঙাক্তা মীয়ামগী থবক থম্মোয় শেংনা তৌনীংবা মীহুৎ কোন্সেং পুমশেংশিং য়াওরক্তুনা হৌজিক মাঙদা মমাঙগী চহী ২০২১দা থম্বীরল্লবা ইস্যুশিংসি ৱাথোক লান্থোকশিং থোরকহন্দনা ঈংনা চিক্লা শন্তাইনবা, অরোইবা ৱারোইশিন অমা শোয়দনা পুরকপা ঙম্বা ওইরসনু। খ্বাইদগী মরু ওইনা মশাগী অকক্লবা অরেপ্পা হিংনবগী লানফমদা খূৎলায়/পাম্বে ওইজনবা লৈজদ্রিবা লাইরিক লাইশু হৈরবা/হৈরবীশিং ককঙাওনহন্দুনা ঙাওচৎনহল্লক্তবা, ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিং চাশিন-থকচিন্দুনা অরানবা লম্বীদা খোঙদাহল্লক্তবা ঙম্বা, মখল কয়াগী তমথীরবা ক্রাইমশিং থোকহল্লক্তবা লৈঙাক অমা লিংবা ঙমজবা ওইরসনু। মীয়াম্নসু অপীকপা-অখুবা, ঐ-ঐগী অমসুং ঐখোয়-ঐখোয়তগী হায়বা ৱাখলশিং থাদোক্নরগা খেন্নবা ফুরুপ-কাঙলূপ পূন্নমক নুংশি-চান্নবা অমত্তা ওইবগী চেৎলবা লংলানা চেৎনা পুনশিনবা অনৌবা চহী ২০২২ ওইরসনু। হায়রিবশিং অসিবু মপূং ফানা থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্লগদি মীয়াম্না অরিবা চহী ওইখ্রবা ২০২১গা শেৎন-খায়নবগী অমসুং অনৌবা চহীবুনা তরাম্না ওকপগীদমক পাঙথোক্নরিবা, পাঙথোক্লগদৌরিবা থৌরমশিং হেন্না ৱাহন্থোক লৈগনি খল্লি। অনৌবা চহীসিনা পূন্নমকপু নুংঙাই-য়াইফহন্দুনা ঈং-চিকপা অমসুং তংদু-লৈতাবা পুন্সি মহিং অমদা থোং মান্ননা নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নবা ওইরসনু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৩

১) *"তালোই মরুম্বী, মপারি নুংজানবা, মমোম নুংঙোনবী মরল য়াৱা পুজাও রোইবা পুন্নমাসুং অমল য়াইথোং কুম্বদা ৱাইর লমজেন ফিগুম ঙাইরোইনদে। গুরুমপাওতাক ফংজবদা -- ৱারমসনা মৈখাংবদুম নামপ্রকাশ ময়েক অহুমমানা ৱাকয়ৈ হিগা ওই, লমলোই থৌদোক খোলনা খুমুনৌগা ওই, ৱাচুম ললওইননা মানা মানা নিংবদা লাংওনখিএ। অসিগীদমকপু গুরুসনা মাখোংখাদা নোন্না লনথোই তানববু থিনফরোইএ"* ৱাহৈ পরেংশিং অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

২) **"শ্রী শ্রী গোবিন্দজী বসন্ত হোলি লিলা শৈশক শৈরেং"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৩) ***"ইচে বীনো"*** হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) ***"ফিমন খুনবা"*** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কৃষ্ণমোহননা হন্দোকপনি। লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু কনানা করি লোলদা ইবা করি মমিং কৌবা লাইরিকনো?

৫) ***"মীকুপ খরদুই পুন্সিগী মহাও"*** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩২গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, রাইজিং সন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স-(৩,৫)
২) আনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়- (৩,৫)
৩) থোংগ্রাম রোমেন মৈতৈ, কৈরক তোমাল মখোঙ- (৩,৫)
৪) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং - (৩,৫)
***৫) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল - (৩,৪,৫)***
৬) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (৩,৫)
৭) সেঞ্জম মেলোদি চনু, ইরেংবন্দ ময়ায় লৈকায় - (৩,৫)
৮) লাইশ্রম এলেনা, তোপ খোংনাংমখোঙ - (৩,৫)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৩২গী ৱিন্নর*

***থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৩২গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

# অনৌবা চহীগী য়াইফ পাউজেলনা ফোরশাৎ

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



অনৌবা চহী কয়া হঞ্জিন হঞ্জিন লাকপা লৈখ্রে। ঐগী ওইনা অনৌবা চহী য়াঙ্খেৎহুমদোইগী মথক্তা লাকখ্রে।

অঙাং ওইরিঙৈদা অনৌবা চহী লাকপগী য়াম্না হরাউখি। নপ ইচো হেক চোরদনা, ইপা-ইতোন, ইচেশিংনা, ইয়াম্বশিংনা ন্যু য়র (অনৌবা চহী) লাকপা মতমদা চাক চানখিবা উহৌই। রেদিওদা, টেলিভিজনদা মন্ত্রিজিনা, মুখ্য মন্ত্রিনা অনৌবা চহীগী য়াইফ পাউজেল পীবা হঞ্জিন হঞ্জিন চপ মান্নবা ৱাহৈদা হায়বা তাজখি। চহী খুদিংগী য়াইফ পাউজেলগী ৱাহৈ চপ মান্নে। অনৌবা সী এমগা অরিবা সী এমগা ৱাহৈ ৱাতা খেন্নবা লৈতে। অনৌবা চহীনা লাকপদা নুংঙাই য়াইফবা চাওখৎপা লমদম অমা ওইরসনু হায়বা ৱাহৈতনা পীক থনখি।

সনু-সনু, তৌরসনু-ওইরসনু, চাওখৎপা-নুংঙাইবা ওইরসনু হায়বা ৱাহৈ অসি ঙমজদবা হৈজদবা পাঙজদবা অমনা হায়বদা মতিক য়াম্না চারবা, চোপত্রবা ৱাহৈনি। চাওখৎহনগে, চাওখৎহল্লোই ঙম্বা কনাগুম্বা অমনা চাওখৎহনসনু, ফগৎলসনু, নুংঙাইরসনু হায়বা ৱাহৈ হায়দোরকপদা নপ তিন চোবমখৈ হেক নোক্নিংলকপা য়াওই। অয়াম্বা মতমদা মীখলগী মীটিংদা ঐখোয়না ইরৈবাক অসি চাওখৎহল্লে হায়না হায়নৈ। চহীগী য়াইফ পাউজেল পীনরকপা মতমদদি ঐখোয়গী লৈবাক চাওখৎপা ওইরসনু, নুংঙাই য়াইরফসনু হায়নৈ। মসি হৌজিক্কী মতম অসিদদি হায়নহঞ্জনীংলক্ত্রে। চাওখৎহনগে, নুংঙাইহনগে, ফগৎহনগে হায়না হায়বা ওইনা পাম্মে। মরমদি লৈবাক অমা চাওখৎহন্নবা টেক্স কয়া কয়া খোমগৎতুনা লুপা ক্রোর ক্রোর কয়ানা লৈবাক্কী আই ওইনা কারক্লিবনি। চাওখৎহনগে হায়বগীদমক মীখল থেংনরি, কারি, মন্ত্রি ওইনরি, ফমজাও পায়নরি, ভোটকী মীটিংদমকসু মানা কারদি অদু তৌনি, অদা তৌনি হায়না ৱাশক্তুনা ঙাঙ শক্নরি। মীখল মতুংদনা করি অমত্তা ঙমদবা মীশক অমা ওইরকই। মীখল মমাঙদা ওইরে অফবা তৌবা ঙমগনি খনবা হেক কাখিবদগী করি অমত্তা ঙমদবা ওইরক্লে... চাওখৎহনগে হায়রম্বা অদু চাওখৎলসনু হেক্তা হায়রকই, মসি করিগী ওইরজাৎনো?

অনৌবা চহীগী ৱিশ পীরগা, য়াইফ পাউজেল পীরগা চাওখৎপা হেক্তা ওইগদ্রা? চাওখৎপা অসি য়াইফ পাউজেল পীনরগা য়াগদবা লৈরবদি ঐগীসু ফেসবুক ফ্রেন্দ লিশীং অহুম চামঙা লৈজে, মখোয়দা ঐনা ইনাক-কৈরাক খুনবা মী অমা ওইরক্লবা য়াইফ পাউজেল পীহন্দুনা য়েংদুম য়েংসিরা! ৱিশ পীবা হায়বসিদি শেল চঙবা নত্তে। ঙাইহাক খল্লগা হেক্তা হায়বা য়াবা ৱানি। পীরিবা ৱিশ অদুনা মঙফাওনরকপা, থবক ওইনা মশক থোক্লা উৎথোরকপা, মঙ ফাওনরকপা নৎত্রগা মঙাওনদবা হায়বা অদুনা ৱা অমনি। ঐসু ৱিশ অসিদি শঙবায় শঙবায় পীবা ঙমগনি, শেল পায়জদ্রবসু।

কুমজা ২০২১ অসি কুজা ২০২১গী হৌরকপা নুমিৎশিং অদুদা ঐখোয় ময়াম ৱিশ পীনজখি। ৱিশকী মহয় ওইনা লাইরিক তম্বা ফংদবা, কোরোনা চঙ ফংনা হাইগৎলকপা, পোৎ চৈ মমল তাঙখৎপা, অশি অনা, থাও মমল হেনগৎপা অসি ওইনা ফংজখি। ঈকং থোকপা, লম্বী থোং ফৎচিল্লক্তবা, ঈশিং থক্লবা লৈতবা, লৈতাফম খঙদবা, কোক্কী, থম্মোয়গী লায়না কয়া অসি ন্যু য়রগী ৱিশকী মহয় ওইনা ফংজখি।

মীচম মীয়াম লায়রবা, অতোনবা, অপঙবা করিসু ঙমজদবা ঐখোয়না ৱিশ পীনবদি মঙলাননি, মোন্দ্রংনি, ৱাখলনা দলান শাবনি করিসু কায়দে। ঐখোয়বু শেম্বীগদৌরিবা, য়োকপী, শাবী তৌবীগদৌরিবা লৈমাবা কনানা থবক অমা পাঙথোক্লগে হায়না থাঙ চিক্তুনা ৱাশকপা তারবদি কয়াম লাইবক ফনি, ৱিশকী মহুত্তা ৱাশক ওইনা খোয়দাজে ননাইদি। ৱাশক্কা ৱিশকা ৱাশক্লা খরা ফৈ। ৱাশকসু হৌজিক্কী মতমদদি চিন্থোক-খাদ্রোক হায়দু ওইরগা তোক্লে। ঐদি ৱিশ অসিমদি লন্নাই ওইনা ওকচরে, খাজরে।

লাক্লে ঙসি অনৌবা চহী ২০২২
ওমিক্রোনগী নুমিৎ থোরক্লে।
য়েংউ লাউ নুমিৎ অসে।
থোক্লরে অতিয়াদা
জি এস টিগী থৱান্মীচাক
ৱাংনা ৱাংনা থোক্লি।
মোমোন মোমোন নোক্লি
সলাম তৌরি মীখলগী থাজনা
লিভরবু তরাম তরাম্না ওক্লদুনা
পীজরোইকো মরুপশা ঐদি
অনৌবা চহীগী য়াইফ পাউজেল,
জয় হিন্দ! ●

# খুন্নাইসিদা চয়েৎনরিবশিং থিবা

**নবকুমার ওইনা**

হৌজিকপু য়েৎনদবা করিবু লৈরিবগে? লমদমসিগী মীয়ামসু নোংম-নোংমগী খঙবা হৈবা হেনগৎলক্লি হায়গনি। মীওইবগী লৌশিং হেনগৎলক্লিমখৈ য়েৎনবসু অদুম লৈখিবা য়ারি। মরমদি মী খুদিংমক নোংমদা লোইনমক খঙবা মান্নবা য়ারোই। মদুদবু শাওনফম লৈরিব্রা? পাউ তম্নফম থোকই, ঙায়নফম থোকই, লাইরিক ওইনা তম্নফম থোকই, শাওনফমদি থোক্তে হায়গনি।

মসি হেক খঙনদবগা য়েৎনবদগী খৎনবা ওইখিবা য়ারিবনি। অরায়বা লোন্দা, খঙদ্রিমখৈ পঙখিগনি, পঙলিমখৈ য়েৎনখিনি, য়েৎনরিমখৈ খৎনরকপা য়ারিবনি। লাই নীংবা হায়বসি ৱাখল খন্থবা তম্বনি হায়বসু লৈ, অচুম্বা থিবনি খনবসু লৈ, অশেংবদি পাউ তম্নবনি। পঙথাদা থাজনবদি চুমদে হায়গনি, য়েৎনরিবসিদি কোক্তনি, লৈমায়দসু মমি তারকই, মমৈদদি মী মীগী শাজৎ ওইরকই। মাগী মাগী ৱাখলগী থাক অদুদা লেংবা য়াদনা লৈনরিবমখৈ য়েৎনবসু লোইবা নাইরোইদৌরিবনি। খ্বাইদগী হোংগনবসিদি মীওইবগী ৱাখল অসিনি হায়নরিবনি, লাল্লবসু হোংঙু য়াদবসু লৈবা য়ারিবনি। ৱা খন্নবদি মী অমনা হায়বদু তাবা হৈবদগী হৌই হায়নরিবনি, ৱা তাদবশিংনা ৱারী শানবা হৌবা য়াখিরোই। মাগী ৱাদু হঞ্জিন হঞ্জিন হায়দুনা লৈরবসু ৱাখলদু হোংঙু য়ারোইদৌরিবনি। হোংদ্রবদি দিভেলপমেন্ট লৈবসু য়ারোইদৌরিবনি। মমৈদদি খুন্নাইদু ওইনা অনেম্বা থাক অমদা অদুম লৈবা তারকই।

উরিনা উপালদা য়েৎলি হায়বগুম্না মানা ঐঙোন্দা য়েৎলি হায়বা য়াব্রা? উরিদুদি য়েৎননবা হৌরকপনি, উহৌদরব্রা? উজাওদুগীদি লৈতেংনি হায়বসু লৈরি, তাংজবী উরিনি হায়রিবনি। ফজদবা, নুংঙাইতবগী হায়রবদি মায়দা লাইচাক থুংবা, ঙক্তা লাইকোয়না হাক্চবা হায়রিবনি। হীদাক্তি তৈদনা হোৎপনদি য়ারোই। উনশাদা নাদ্রিঙৈ কোক শেন্নবা ৱাৎখি হায়দবা ঙমগদ্রা? লায়েং ওন্নরবদি অনাবা হেঞ্জিল্লকপদি মশানা তাবনি। লায়েংবদি হৌদনা হাক্চবা হোৎলগা মী খৎনদুনা লৈরগা মী ওইবগী অৱাংবা থাক অমদা লৈরবনি খনবা লাল্লি।

মালেমগী লৈমায়সি চনিং তানা লৈরবনি হায়বা য়াদ্রি। মদুগী মতম য়াম্না ৱাৎলি, চরাংনরি, মী য়াম্না হাৎনরি, ৱা খন্নবা মপূং ফাদ্রি। ৱাখল মান্নদ্রি, লাই মান্নদ্রি, থৌ মান্নদ্রি, মরু ওইনা লৌশিং মান্নদ্রি। অদুম য়েৎনদুনা লৈখিনি হায়না থাজবা অমদা মতম লেনবদি চুমদে। হৌজিক্তি ক্রিয়েসন হায়সি মীওইবা ঐখোয়গী থৌদাংনি হায়রবনি। মীওই খরদা তায়নরগা অদুম য়েৎনদুনা লৈগদৌবা নৎত্রে হায়বসু খঙমিন্নবা অমা চঙলিবনি। ৱাখলগী থাজবা লৈতনা কৈদৌঙৈদা থবক ওইনা থোক্লকপা লৈবা হৌনদে। থাজবনা অমা, থবক্লা অমা তৌবদগী লমদম কয়া অৱা-মৈশা লাংলগা বোম-তোপকী মৈখুনা কুপশিন্দুনা লৈবসু য়াওরি। লমদম অসিনা চমম্নবগী মৈখুনা কুপশিন্দুনা লৈবা কুইরকপদগী ৱাখল অমত্তবু ময়েক শেংনা উনবা ঙম্নদ্রবরা চিংনবা পোল্লক্লে। নোংমতবু অচুম্বা ঙাঙনদ্রবা, মীৎকুপ খুদিং মানা মানা নীংবদা চিংলগা পুবা ঙম্নবা হোৎনবগী ৱাফম কয়ানা নোংম-নোংমগী পাউ ওইদুনা লেল্লকপা কুইরে। মীওই খুদিং মীনম্বা শাজৎ অমদা পুন্সি লেল্লবগুম লৌনরি। শাগৈ জাৎপু হুরানবগী শাগৈ ওইনা লৌনবগুম তৌরক্লে, মীওইবগী শাজৎতা ইকায়বা য়াওবগী মমি শামজিল্লক্লে। উহৌদে হায়বা য়ারোই উনা উনা ঐখোয়না শেমজখিবনি, জগোয় হৈতবনা পুঙ য়ৈবদা তায়নবনি। জগোয় য়াওরিবশিং অসি ওন্থোক্লা মমায় পানখিদ্রেদা হায়বা য়াওরবনি। মরোল থোক্তনা লাইরিক হৈবা শাবা য়াওরক্লবনি, মদুদা মায়দু মচেৎ অমা ঙাঙদ্রবনি। অঙম্বনি, ঐনা ঐনা তৌরগা লোইরে হায়বনি হায়না লৌগনি। মতম অসিদা চয়েৎনরিবা ময়ামসি কোক্লনবা লম্বী থিগদ্রা হায়রগা থোকউ-থোকউবা তৌগনি হায়বা য়াওরক্লবনি। স্কুল, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটি, লাইশঙ ময়ামসি লৈবগী কান্নববু মসিরা? খ্বাইদগী য়াম্না চয়েৎনবা লৈরিবা মফমশিংসি লাইশঙ অমসুং স্কুল-কোলেজশিং অসিনা ওইরক্লবনি। লৌশিং পীফম ওইরক্ত্রে, অপঙবা শিফম ওইরে, খৎনফম ওইরক্লে। লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংসি শেল হুরানফম ওইরক্লবনি। মতম অসি য়ৌরক্লবা ফাওবদা অমনা অমদা তায়নদুনা কোয়লাও লাওবনা থবক অমা তৌবা হৌরবনি হায়বসি অরানবা লম্বী অমদা চৎলবনি হায়না লৌনরক্লবনি। লাইগী মমিং লাওবা, লাই নীংবনা হেক্তা শিংলগনি হায়বা লৈতে, লাইগী মিংদা হুরানবসু য়াওনরে। লাই য়াম্না লাৎপা লমদমদি মীওইবগী মতম খ্বাইদগী মাঙহনবা লম ওইরবনি। করিগুম্বদনা উনা-খোইগুম্না মহুম ঙাক্লবা মশেং ফল্লগা লৈগনি, লাইগীনি হায়গনি। খ্বাইদগী হেন্না চয়েৎনবা মফম ওইনা শেমগৎপা ঙম্নরি। লাইনা করিসু হায়বা মান্দে, তুং ইল্লিবশিংনা থৌওইনা য়েৎনদুনা লৈবা য়াওনরিবনি। মমৈদা লাইদু ওইনা চয়েৎনবগী লাই ওইরকই। মদুসু মীনা শেম্বা ৱাথোক্লি। ৱাথোক অয়াম্বা মী খরা নৎত্রগা খরা চেন্নদুনতা লৈগনি। মদুমক লমদম অসিদা থোক্লিবনি, লাইনা নত্তে।

মাগী মাগী ৱাখলদগী কাঙলূপ ওইনা চয়েৎনবা ওইনা উনরে। মসিমক হায়জিনবা তোয়রবদি অচুম্বা মাল্লকই হায়বা অদুমক্লি। কাঙলূপ খরগী লুচিংবা শাবশিংনা মখোয় খরগী ৱাখলদগী মী খরা হাৎনরগা কাঙলূপশিংদু য়েংথীনরবগুম উহনবনি। লৈঙাক পুবশিংগী রিমোটসু মখোয় খরনা পায়বা মাল্লকপদুনি, লৈঙাক অদুনা শোঞ্জবগীনি। মীয়ামসু মখোয় খরনা কাঙলূপ শাগৎপদা য়াওশিনখিবা য়াওবদগী লূপ অমগী মীচং মাল্লক্লবনি। মদুসু ঙাইহাক ঙাইহাক্তগী পুন্সি কোন্নবা য়াওশিল্লক্লবনি। মমৈদা পৱার অমসুং শেল খরা তানবগী ওইরম্বসু য়াওরক্লবনি। কাঙলূপ হায়বদু ময়েক শেংবা ঙমদবগী ৱাথোক শাগৎখিবনি। অপিকপা ৱাখলদা শুমাং অমগা শুমাং অমগা মাঙ্গোল অমগা মাঙ্গোল অমগা ৱারী মান্নফম থোক্তে। য়েন পোলাং মনুংদা তোঙান তোঙানবা য়োল্লকপা য়েনশিং চিক্লবগুম্বনি। বেঙ্গলি নৎত্রগা অসামী লোলদা মমিং থোনবীবা কাঙলূপ অহুম লৈরে ; মণিপুরী, নঙ্গা, কুথি - মখোয় মখোয়গী হান্না কৌবা মমিং লৈজে। মদু কাউথোক্লগা মিং অনৌবা অসিগীদমক খৎনবা ঙম্নরি। মদুসু মীওই খরনা তৌজবনি। মীয়ামদি মখোয় খরনা য়াওবা মালহল্লগা ঙাইহাক-ঙাইহাক চেন্নবীবনি, মদুদা লাইচুবা মীসু য়াওশিল্লকইবনি। ৱাখলদি পাকথোকপা ঙম্নদে খঙই।

ঐখোয়না লৈরিবা হেমিসফিয়ার অসিদা ঐখোয় করম্বা মওংদা লৈনীংই হায়বদু ঐখোয়না শেমজগদৌবনি, য়েনবোন মনুংদা ইন্না কাওনবদৌনা অসুম লৈগদৌবা নত্তে। ঙাঙবদদি লাইগী মচানি হায়রিবনি, লাইগী তুং ইনবদা কোক কায়নরি। তশেংবদি লাইদু ওইনা থবক শিনবা হৈগদৌবনি। হিকপী খরনা কোক্তা হাক্চরকপদগী হিক্ত ফাওবা ফাদোক্নরিবনি, হৌজিকপু হিক লৈনরিব্রনে? মী ওইনা লৈমিন্নগদৌবা খন্দোকপদা মতম শাংনা চঙনীংঙাই লৈতে। কাঙলূপকী মিংসু হোংদোক হোংজিন পংতৌদা তৌনৈ, অরোইবা অমা লৈবা মান্দ্রি, মচিন-মনাও তরেৎসিগী মমিং অমা থোল্লগা মদুদা পূন্না হিংমিন্নবদুনা কুইনা চৎপা হেনগনি। শুমাং-মাঙ্গোলদা খৎনদৌবগী শরুক মদু ওইনা খন্নবনা ফবনি। পাউদি ফাওনবা মাল্লবসু থবক্কী খোঙথাংদি অমত্তা উদ্রি। মদু হান্না খল্লো হায়রসি, মরন্নাইগী খৎনবদু তোকচখ্রগনি। তাদ্রবসু তানবা হান্না হায়বা চঙই থবক্তি মশানা তৌজরক্কদৌবনি। মদু খঙমিন্নবদা য়েৎনবা লোইশিনখিবসু য়ারিবনি। ইশানা থোঞ্জবা মিংসু নত্তবা, কাঙলূপ খায়দোক্নরগা কোকফাইটিং তৌনরিবসি শান্নবা লোইরগা পূন্না ফমিন্নরগা অচাপোৎ চামিন্নদৌবদু কয়াম ৱাৎলিবনো? ষ্টেকহোল্ডরদু কনানা ওইগদৌরি?

থবকসি তৌগে হায়রবদি ৱিন-ৱিন, লুজ-লুজ ভর্টিকেল, হোরিজোন্টল হায়বা ফোর্মুলা য়াওদ্রবসু য়ারি। স্প্যারহেদতা তোংবা খোইবীনিংথৌ চাম্মা-চনিদংনা লাইখায় তারগা য়ারে। য়াদ্রগনা তাখোক পায়রিবশিংনা তান্থোকপা ঙম্লবসু ওইবা য়াবা ৱানি। হাইপোথেসিস অসিমক্তি ওইবা য়ারোই হায়বদি কনানসু হায়বা ঙম্নরোই। য়েৎননীংঙাইসু লৈতে খল্লি। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩২গী পাউখুম

১) মণিপুরগী মমিং চৎলবা ৱারীমচাগী লাইরিক অমদা য়াওবা ৱারীমচা অমগী মমিংনি ***"কৈথেল লুকোক"*** হায়বসি। কনানা ইবা করি ৱারীমচাগী লাইরিক্তা য়াওবনো? ***:- মাইবম নবকিশোরনা ইবা 'পাঙ্গল শোনবী ঐসে অদোমগীনি" হায়বা ৱারীমচাগী লাইরিক্তগীনি। অহানবা ফোঙবা, ওক্টোবর, ২০০১।***

২) **"কিশি"** হায়বা (২০১৬তা ফোঙবা) লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো? ***:- অইবা - রনবীর সারুংবা, লাইরিক্কী মখল - ৱারী লিশাং; অহানবা ফোঙবা ২০১৬।***

৩) রঘু লৈশাংথেমনা ইবা ***"খুঙ্গংগী চিঠি"*** হায়বা লাইরিকসি কনানা করি মমিং হায়না ইংরাজিদা হন্দোকপগে? ***:-সলাম রূপচন্দ্র সিংহনা Letters from the Village হায়না হন্দোকপনি। অহানবা ফোঙবা, ২০১৬।***

৪) ***"ঙসি ঙসি হয়েং হয়েং মাঙখি মতমসু।/হন্না য়ৌনবু য়েংবীরমদে কনাবুসু।/নুংশি হৈতবী মতমনি/ৱারকচেৎপী মহাক্লি।"*** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো? ***:-অইবা - হিজম ইরাবত; লাইরিক্কী মমিং - শৈদম শৈরেং; লৌথোরকপা শরেং - মতম।***

৫) ***"লাইথুং মখাক লাইমন মচিৎ"*** হায়বা লাইরিক্কী অইবসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো? ***:- অইবা - ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন; লাইরিক মখল - রেদিও দ্রামা; অহানবা ফোঙবা জুলাই ৭, ২০১৩।***

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।